# কুমজা ২০২০ গী ওস্কার বেষ্ট এক্ট্রেস ফংলবী
## Renee Kathleen Zellweger

*- নানি*

মশাগী চহী ৫১ শুরক্লবী মমিং লৈরবী ফিল্ম এক্ট্রেস Renee না কুমসি চহী অসিগী ওস্কার বেষ্ট এক্ট্রেসকী এৱার্দ লৌবা থোরকপদা মীয়াম পুম্নমক্না খূবাক খুদুনা হরাও তরাম্না ওকখ্রে। Renne, কুমজা ১৯৬৯গী এপ্রিল ২৫দা Katy, Texas তা পোকখিবা অমেরিকান এক্ট্রেস অমদি প্রদ্যুসর Renee Kathleen Zellweger না কুমসি চহীগী ওইনা বেষ্ট এক্ট্রেস ওস্কার ২০২০ ফংখিবদা Oscar aspirant কয়ানা নীংবা কায়নখ্রবসু মহাক্কী পুন্সিগী ৱারী অমদি হোৎনরকপগী ৱারী তারুরগদি হেন্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা অমদি লান্থেংং কয়া থেংনবদা শোয়দনা অনৌবা থৌনা অমদি পোকপা ঙমগনি। মহাক মমাঙদা ওস্কার এৱার্দ অনী ফংখ্রে, গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ মরি ফংখ্রে, লোয়ননা বি এ এফ টি এ এৱার্দ অনী অমসু ফংখ্রে। কুমজা ২০০৭কী সর্ভে অমগী মতুংইন্না মহাক্না মালেমগী ওইনা ফিল্ম অমা কুম্বদা খ্বাইদগী শেল য়াম্না লৌবা এক্ট্রেসনি হায়না লাউথোকখি। কুমজা ২০০৯দা মহাক অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা Hasty Pudding Theatricals Women of the year হায়বা মনা অমসু পীখি। Renee না আর্টকী লন্বীদা খোঙ থাংজিল্লকখিবদি মহাক্না কোলেজ তল্লিঁগী মতমদা কোলেজগী ফঙ্কসন্দা ষ্টেজদা থোক্তুনা এক্ট তৌবা হৌরকপদগীনি হায়না মশানা হায়জে। তশেংবদি মহাক ইংলিস লিটরেচর তম্লকপা মহৈরোয়নি, অদুগা য়াম্না হেক পামজবনা জর্নেলিজমনি।

কুমজা ১৯৯৩দা Richard Linklater গী ফিল্ম **Dazed and Confused** হায়বা অসিদা য়াম্না পিকপা রোল অমগা লোয়ননা ফিল্মদা ইহান হান্না খোঙদারকখি। মথং ওল্লকপা কুম হায়বদি ১৯৯৪দদি মপূং ফাবা রোল লৌদুনা **Texas Chainsaw Massacre : The next generation** হায়বা ফিল্ম অসিদা খোঙদারকখি। অসুম্না মথং-মথং **Jerry Maguire (1996), One True Thing (1998), Me, Myself and Irene (2000)** অমদি **Nurse Betty (2000)** হায়রিবা ফিল্মশিং অসিদসু খোঙদারকখি। ফিল্ম অসিদা মহাক ইহান হানবা ওইনা মালেমগী থাক্তা পীবা গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস ফংবা ঙমদুনা একাউন্ট হাংবা হৌখি। **Bridget Jones' Dairy (2001)** অমদি **Chicago (2002)** হায়রিবা ফিল্ম অনী অসিদা একাদেমি এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেসকী নোমিনেসন চঙখি। **Cold Mountain (2003)** দা Best Supporting actress কী নোমিনেসন চঙদুনা এৱার্দ ওইনা ওস্থোকপা ঙমখি। মসিনা মহাক্কী একাদেমি এৱার্দ ফংবা ইহান হানবা ওইখি। কুমজা ২০১০দা পুথোকখিবা My Own Love Song হায়বা ফিল্ম অদুগী মতুংদগী মহাক ফিল্মদগী চহী তরুক নাম্থোক্তুনা লাকখি। কুমজা ২০১৬তা **The Whole Truth** হায়বা ফিল্ম অসিদগী অমুক হন্না মহাক উরকপা হৌখি। কুমজা ২০১৯দা রিলিজ তৌখিবা ফিল্ম Judy হায়বা ফিল্ম অসিদা ওস্কার বেষ্ট এক্ট্রেস তাখি।

Renee Zellweger অঙাং ওইরিঁঙদগী হৌনা য়াম্না কন্না হোৎনবা কনবী মীশক অমা ওইরকখি। তশেংবদি মহাক আর্টকী ৱা ঙাক নত্তনা স্পোর্টসকী হীরম কয়াদসু য়াম্না থৱায় য়াওনা মাঙজিল থানা হোৎনরকপীনি। মহাক্না Katy High School দা তল্লিঁঙৈ মতমদা মীয়াম মাঙদা থোক্তুনা ৱা ঙাঙবা য়াম্না হৈনরকপদা নত্তনা দ্রামা ক্লবকী মেম্বর অমসু ওইরকখি। মদুমক্না মহাক্না তুংদা আর্টিষ্ট অমা ওইরকপগী থৌনা হাপখি অমদি মহাক মশানসু য়াম্না কনফিদেন্ট লৈনা মায় পাক্কনি হায়না থাজবা থম্লকখিবনি। মহাক স্কুলগী মতমদা জিম্নাষ্টিকসু য়াম্না পাম্না শান্নরকই। মদুগী মথক্তা সোক্কর, বাস্কেটবোল, বেজবোলসু নিংথিনা শান্নরকই। মহাক্না য়াওখিবা ইভেন্ট খুদিংমক্তা টিম ওইরবসু, ইন্দিভিজুএল ওইরবসু মায় পাকপা হায়বসিদি শোয়দ্রে হায়না হায়নখি। কোলেজ লোইরবা মতুং কুমজা ১৯৯১দা Renee, University of Texas, Austin দগী Bachelor of Arts degree English তা ফংখি। য়ুনিভর্সিটি অসিদা গ্রেজুয়েসন তৌরিঁঙৈগী মতমদা ইলেক্টিভ সবজেক্ট অমা ওইনা দ্রামাগী সবজেক্ট অমা লৌদুনা তম্লকখি। হান্নগা খরা আর্টতা থৱায় য়াওজরকপগা মহাক্না খ্বাইদগী হৈনবা সবজেক্ট অমা হায়বদু ওইরকখি। মদুনা মহাকপু এক্টিংগী লন্বী অসিদা মৈ হৌহনবা ঙম্বগী থৌনা অদু পীবা ঙমখিবনি। লাইবক থীবদি য়ুনিভর্সিটি তম্বা লোইশিল্লকপদা মহাক্কী মপাগী থবকসু করিগুম্বা মরম খরদগী তোকখি। মহাক্কী মপা ওইল রিফাইনরি অমগী এঞ্জিনিয়র অমা ওইনা থবক তৌরম্মী। মদুনা মরম ওইরগা ইমুংগী ফীভম শেল থুমগী মায়কৈদা খরা শোকচিল্লকখি। Renee Zellweger য়ূমগী মতেং পাংনবগীদমক cocktail restaurant অমদা waitress ওইনা থবক তৌবা হৌরকখি। মদুগী মতুংদা screen actor guild দা মীং চন্দুনা অপিকপা রোল মচা মচা লৌদুনা এক্টিং তৌদুনা শেল তানবা হৌরকখি। মমৈথংদদি মহাক বিগ বজেট ফিল্ম কয়াগী এসাইন্টমেন্ট ফংদুনা মহাক্কী মীংচৎ উরোং খিনবা হৌরকখি।

Renee film গী লাইন্দগী হাইদোক্তুনা হ্যুমেনিটরিয়ন সর্ভিস কয়াদসু চাউনা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। ঐচ আই ভি ইনফেক্সন তৌরবশিংগী পূক্নিং থৌগৎপা, মখোয়বু হিংনীংবগী ৱাখল পোকহনবা অমদি মখোয়গীদমক মতেং পাংবগী থবক কন্না চত্থরি। লোয়ননা নুপী ওইবীশিংগী অরুবা লায়না অমা ওইরিবা ব্রেষ্ট কেন্সর তৌরিবা কয়া অসিদগী কন্নবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎপা ওইনা ব্রেষ্ট হেল্থ ইন্সটিট্যুটকা খূৎশম্নদুনা নুপী ওইবীশিংদা এৱ্যেরনেস পীবা অমদি লায়েংবগী মতেং পাংবগী থবকসু কন্না চত্থরি। Jim Carey গা এনগেজ তৌনদুনা লুহোংনবা থৌরাং তৌরবা Renee মমৈথংদা মহাক্না মরী লৈনজবা শৈশকপা অমদি ম্যুজিক দিরেক্টর Kenny Chesney গা লুহোংখি। অদুবু থা অমগী মতুংদা মখোয় অনীগী মরক্তা য়ানদবা লাকপদগী খাইদোক্লখি। Renee ইনৌ নৌনা কনাগুম্বা অমত্তগা য়ূম্বানবগী লন্বীদা লৈবাক মীয়াম খঙনা খোঙলোই ওইদ্রবসু Jim Carrey গা কুমজা ১৯৯৯দগীনা ২০০০ ফাওবা মরী লৈনখি। মথংদা Bradley Cooper (2009 দগী 2011) ফাওবা অমদি Doyle Bramhall গা কুমজা 2012 দগীনা কুমজা 2019 ফাওবা নুংশি মরী লৈনখি। মসিনা মহাক্কী পর্সনেল লাইফনি। তশেংনদি Renee মীনা হায়না ঙাঙনবদা নুংঙাইতবা অমদি মতৌ তমগনু হায়না মচা মশু ৱারকপদা শীজিন্নবা মীশক অমদি ওইদ্রি। ৱারেং অসি ইরিঁঙৈগী মতম ফাওবদদি মহাক্কী অনৌবা ফিল্মগী মমিং লাউথোরক্ত্রি। অদুবু মহাক মখা তানা শুটিং অমদি তৌরি হায়না তারি । মদু Netflix কী টেলিভিজন ফিল্ম ওইগদৌরিব্রা হায়বদুদি খরা লৈরগা শোয়দনা খঙলগনি।





## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।০৩।২০২০ ইং, নোংমাইজিং; লমতাগী ২২নি পানবা।

**মেষ :** হকচাং নুংঙাইবা, থৌনা লৈবনা নথক থোংবনা চানবীবা লৈগনি। অদুবু অনম তানবা অমদি নাপল তৌরবদি চাদিং তৌগনি। মরুপ-মপাংনা তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না অশা চাউরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি অমদি লাইবক ফবনা মীংচৎসু হেনগৎপা নুমিৎনি। য়েৎনবগী লম্দদি লন ময়েং তাগনি অদুনা থিজিন্দনা খুৎ থাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবগী নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** ৱাখল থোক্কনি অদুনা খন্থরগা পাংবা থবক খুদিং শোইদনা মায় পাক্কনি। ইমুং-মনুং অমদি থবক্কী লম্দা পূক্নিং পেঞ্জবা লৈগনি। মীয়াম্না থোইনা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** মরুপকী মতেংনা থবক পাংগনি অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবা য়াবসু লৈগনি। অদুবু অঙম্বনা নরল মৎপিবা য়াবসু লৈ অদুনা নোল্লুক্না চৎপা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** ৱানোম থৌনোম কান্নরোই, অশাওবনা মাঙওইনগনু অমদি নচাক নরল চেকশিঞ্জবা ফগনি। ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা অমদি থিজিনবা কল্লবা থেংলপ্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কন্যা :** থুরৌ থাংবা, লৌশিং থোকপা ৱাৎপা অমদি য়েক্লবা য়াম্বা নুমিৎনি। লাইবক ফবা, লল্লোন-ইতিক্তা কান্নবা অমদি শেল ফংবদি লৈগনি। পাউদি নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** পূক্নিং ৱাবা, কল্লক য়েংথিবা য়াম্বা অমদি হকচাংসু ইনুং নুংঙাইতবা নুমিৎনি। মীয়াম লোয়নবদা নুংঙাইফম খঙলোই। মীতোপ থাজগনু অমদি চরাংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** লাইবক য়াম্না ফবা নুমিৎনি, অঙম্বনা থোইনা চানগনি অমদি ওইজ-ওইথক তানবা চাউনা কান্নগনি। লৈঙাক্কী লম্দা মীকোক থোংবা ৱাবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।


**ধনু :** অফবা মীংচৎ ফংজবা, অফবা থবক পাংবা অমদি ঙাঙথোকপদা রাশি চেনবা নুমিৎনি। য়েৎনরুনু লন ময়েং তাগনি অমদি নক্লবনা চানবীবা ৱাৎকনি-খাংবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** শেল-থুম ফংবগী নুংঙাইবা, শেন্দোং তানবা থবক্তা কান্নবা অমদি অনৌবা ৱাখল পোকপা নুমিৎনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি। পংলদি চাদিং হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা :** য়েক্লবা কোকচদুনা মীচং হেনগৎপা অমদি থবক্কী লংলা লংজিল ফংজবা নুমিৎনি। মীতোপ থাজরদি কাইনবা নংগনি। থৌনা ফবনা লন তানশিনবা ঙমজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন :** নোল্লুক্না চৎত্রবদি কোক শাবা অমদি য়েক্লবা চাওখৎপা লৈরবা য়াই। অঙম্বগী থৌজালনা অরুবা থবক পাংগনি, নচাক-নরল চাওখৎকনি। মীংচৎসু লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথবনা য়াইফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




Title: A Boy with Ball
By: Athoiba
Class: III Sec: A Roll No. 33
School: Smart Universal Academy




Title: Sunset And Girl
By: Babikarani Shamurailatpam
Class: V Sec: A Roll No. 08
School: Standerd Robarth Higher Secondary School




Title: Ash And Pichachu
By: Biswaranjan Laisram
Class: IV Sec: B Roll No. 03
School: Kids' Foundation



Title: Scenery
By: Ishworchandra
Class: III Sec: Roll No. 01
School: Maheilen Education Centre, Haotal




Title: Scenery
By: Tongbram Kingking
Class: VI Sec: A Roll No. 03
School: Bethel English School, Nambol





Title: The Season
By: Nishka Leihaothabam
Class: IV Sec: C Roll No. 70
School: Little Flower School




Title: Spiderman
By: Nongdrenkhomba
Class: III Sec: A Roll No. 37
School: Vale Academy



Title: Cricketer
By: Pibathoi Ningthoujam
Class: II Sec: Roll No.
School: Maheilen Education Centre, Haotal




Title: Body Builder
By: Ringu
Class: VI Sec: A Roll No. 34
School: Maheilen Education Centre, Haotal



Title: Landscape Drawing
By: M. Rohit
Class: VI Sec: Roll No.
School: Maheilen Education Centre, Haotal



Title: Scenery
By: Ngasepam Samson Singh
Class: V Sec. A Roll No. 06
School: Khundrakpam Model High School



Title: Flowers
By: Nameirakpam Deviya
Class: I Sec: Roll No.
School: Arena Of Learning